# রসিয়া-যুক্রেন লানগী ৱারী শান্নদুনা ইং তপ্পা ৱারোইশিন পুরক্নবা এয়ুনা তকশিনখ্রে, নুমিৎ ৪ নি লান লেপ্পবা আপিল তৌখ্রে

অদিস অবাবা, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী): রসিয়া অমসুং যুক্রেনগী লান লৈবাক অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নদুনা ইংনা চিক্না ৱারোইশিন পুরক্নবা অফ্রিকান য়ুনিয়ন (এয়ু) না আপিল তৌখ্রে।

অফ্রিকান য়ুনিয়ন কমিস্সনগী চিয়ারপার্সন মৌসা ফাকি মহম্মদনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভরোবকা ফোনদা ৱারী শান্নবদা আপিল অসি তৌখিবনি।

মহম্মদনা ট্যুটর পোষ্ট অমদা হায়খি মদুদি, রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভরোবকা ফোনদা ৱারী শান্নবদা ইন্টরনেলনেল লো ইকায় খুম্নবা মথৌ তাই হায়বা ৱাফম ঐহাক্কী মায়কৈদগী থমখি অমসুং রসিয়া অমসুং যুক্রেনগী কনফ্লিক্ট ৱারী শান্নদুনা ইংনা চিক্না ৱারোইশিন পুরক্নবা তকশিনখি।

ইথিওপিয়াদা লৈবা রসিয়ন এম্বেসিগী মতুং ইন্না লাভরোবনা যুক্রেনদা রসিয়ানা চথুরিবা স্পিসিএল মিলিটরি ওপরেসনগী মরমশিং অমদি পান্দমশিংগী মতাংদা ব্রিফ তৌখি।

কুমজা ২০০২ গী জুলাইদা লিংখৎখিবা মেম্বর ৫৫ লৈবা পান-অফ্রিকন ব্লোক অসিগী হেদ ক্বার্টর্স ইথিওপিয়াগী কেপিটেল অদিস অবাবাদা লৈ।



চৈরকসিদা ওর্থোদোক্স খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগী শেংলবা চয়োল মনুংদা হ্যুমেনিটরিয়ান এদ কোরিদোরশিং হাংবা য়াহন্নবগীদমক্তা যুক্রেনগী লান নুমিৎ মরিনি লেপ্পনবা যুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা আপিল তৌখ্রে।

ন্যু য়োর্কতা (নোটেদ গন) নত্তগা নন ভাইওলেন্স হায়না খঙনবা অচৌবা নোংমৈ অমগী স্কল্পচর অমগী মমাঙদা লেপ্লদুনা গুটরেজনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি ঙসি ঐহাক্না শগোলশেল নুমিত্তগী হৌরগা ইষ্টর নোংমাইজিং ফাওবা হায়বদি খৃষ্টানশিংগী ওইবা শেংলবা চয়োল মনুংদা নুমিৎ মরিনি হ্যুমেনিটরিয়ান এদ কোরিদোরশিং হাংনবগীদমক্তা লান লেপ্পনবা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা আপিল তৌই।

স্কল্পচর অদু ন্যু য়োর্কতা লৈবা যুএন হেদ ক্বার্টর্সতা লাক্লিবা ভিজিটরশিংনা ইহান হান্না উবা ফঙবা পোৎশক্নি। মদুনা মালেমগী বোদি অসি মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনবগী অচেৎপা পান্দম লৈ হায়বসি উৎলিবনি হায়রি।

ইষ্টর নকশিল্লকপগা ইরোয়ননা নোংপোক থংবা যুক্রেনদা রসিয়ানা লান কনশিল্লকপদগী যুএন চীফনা হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোর হাংবা অসি য়াম্না মরু ওই হায়খি। লান লেপ্লিঙৈ মনুংদুদা মীচমশিং হৌজিক লৈরিবা লান কল্লিবা মফমশিং নত্তগা লান কনশিল্লকপা য়াবা মফমশিংদগী হোন্দোক্কদবনি অমসুং মরিওপোল, দোনেটস, লিভান্স অমসুং হেরসোনগুম্বা খুদোংচাদ্রবা মফমশিংদা হ্যুমেনিটরিয়ান মতেংশিং ফঙহনগদবনি।

যুএনগী টোপ ওফিসিএল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা যুক্রেনগী সিটিশিং অসিদা হ্যুমেনিটরিয়ান মতেং মথৌ তাবা মীওই মিলিয়ন মরি হেন্না লৈরি।

নুমিৎ মরিনিগী ইষ্টরগী মতম অসি মীওইবগী থৱায় কনবা অমদি যুক্রেনগী কনফ্লিক্ট লোইশিলহন্নবা মখা তানা ৱারী শান্নবগী খুদোংচাবা ওইহনগদবনি হায়না গুটরেজনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মসিগী মমাঙদা যুএন হ্যুমেনিটরিয়ান চীফ মার্টিন গ্রিফিটসনা ওর্থোদোক্স ইষ্টর হোলিদে নকশিল্লকপগা লোয়ননা সিজ ফায়র পুরক্নবগী চপ চারবা মতম লাক্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা, যুক্রেনদা চথুরিবা স্পিসিএল মিলিটরি ওপরেসনগী অনীশুবা তাঙ্কক যুমশকৈশ নুমিত্তগী হৌখ্রে হায়না রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভরোবনা লাউথোকখ্রে।

মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না ইষ্টর্ন যুক্রেনদা চথুরিবা ওপরেসন অদু দোনেটস অমসুং লুগান্সকী মীয়াম্বু মপুং ফানা লিবরেট তৌনবগী পান্দমদনি। রসিয়া টুদেগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না রসিয়ন নেসনেল দিফেন্স কন্ট্রোল সেন্টরগী মকোক মিখাইল মিজিনসেভনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা মরিওপোলগী অজোবষ্টাল ষ্টিল প্লান্টতা লৈরিবা মিলিটেন্টশিং অমসুং ফোরেন মর্সিনরিশিংদা লান শোক্ক বা লেপ্পুনা খুৎলায় থাদোক্নবগী খুদোংচাবা অমা অমুক হন্না পীখ্রে।

# ইষ্ট জেরুসালেমদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহনবদা মালেমনা মতেং পাঙনবা ইজরেলনা আপিল তৌখ্রে

জেরুসালেম, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী): ইষ্ট জেরুসালেমদা মরা তপ্পা ফিভম হঞ্জিলহনবদা মালেমনা মতেং পাঙননবা ইজরেল্লি ফোরেন মিনিষ্টর য়ায়র লাপিদনা আপিল তৌখ্রে।

ইজরেল্লি-পেলেষ্টিনিয়ন টেন্সন হেনগৎলকপগী মতাংদা যুএস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কনগা ফোনদা ৱারী শান্নবদা মহাক্না আপিল অসি তৌখিবনি।

ৱারী শান্নবা অদুদা মখোয়না হন্দক্তগা ইজরেল অমসুং পেলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তগা হৌরকখিবা ভাইওলেন্স মরু ওইনা ইষ্ট জেরুসালেমগী অল-অক্সা মোস্ক কম্পাউন্দদা ইরাং থোক্লকপগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

ইরাই নুমিৎতগী ইজরেল্লি পুলিসকা খুৎ থোক্নবদা পেলেষ্টিনিয়ন ২০০ হেন্না অশোক অপন নঙখিবনি। ব্লিঙ্কনগা ফোনদা ৱারী শান্নবদু লোইরবা মতুংদা লাপিদনা ট্বিট অমদা হায়খি, মদুদি জেরুসালেমদা মরা তপ্পা ফিভম হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবদা মালেম পুম্বনা মতেং পাঙবা মথৌ তাই হায়বসি ঐহাক্কী মায়কৈদগী থমখি।

ইজরেল্লি পুলিসনা ফ্লাস পোইন্ট হায়না লৌনরিবা শেংলবা মফম অদুদা রেইদ চথখিবদু থৌদাং মশক খঙননি অমসুং ইস্লামিক এক্সট্রিমিষ্ট চা কয়ানা হৌরকখিবা ইরাংশিং লাকশিন্নবগী পান্দমদসু চথখিবনি



হায়বদা ইজরেলগী ফিরেপ মহাক্না নৌহৌননা পনখি।

ব্লিঙ্কন্না ইষ্ট জেরুসালেমগী ইরাং অদু জোর্দানগী দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং ফোরেন মিনিষ্টর এমেন সফাদিগা খন্নখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা ফোনদা ৱারী শান্নবদা পাঙথোকখিবনি।

যুএস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না ব্লিঙ্কন্না অল-অক্সা মোস্ক কম্পাউন্দগী ষ্টেটস কো কায়হন্দনা থম্বগী মথৌ তাই হায়বা ৱাফম ৱারী শান্নবা অদুদা পনখি।

মুস্লিমশিংনা অল-অক্সা মোস্ক কম্পাউন্দ হায়না খঙনবা অমসুং জিয়ুশিংনা টেম্পল মাউন্ট হায়না খঙনবা য়েৎনরিবা হোলি সাইট অদু কুমজা ১৯৬৭ কী মিদ্দল ইষ্টকী লানদা ইজরেলনা লৌশিনখিবা ওল্ড সিটি জেরুসালেমদা লৈরিবনি। শেংলবা মফম অদু জোর্দানগী মুস্লিম ৱাকঅপনা এদমিনিষ্ট্রেসন তৌরবসু ইজরেল্লি পুলিসনা ঙাক শেনবগী থবক তৌই।

ইষ্ট জেরুসালেমদা ইজরেল অমসুং পেলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নরিবশিং অমদি হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ইজরেল্লি সিটিশিংদা পেলেষ্টিনিয়নশিংনা এটেক্ট তৌবগী থৌদোক মরি মুস্লিমশিংগী শেংলবা চাকহেন থা রামজান অমসুং জিৱিষ্ট হোলিদে ফার্ষ্ট ওভর মনুংদা থোরকখিবনি। মুস্লিম ৱারশিপ্পর লিশিং কয়া অমসুং জিৱিষ্ট ভিজিটর লিশিং চীংথক্কী কম্পাউন্দ অমসুং মদুগী মখাদা লৈরিবা ৱেষ্টর্ন ৱালদা থুংলখিবনি।

# শ্রী লঙ্কাদা ফ্যুএলগী মমল হেনগৎপগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরিবশিংদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা ১ শিরে, ১২ শোক্লে



কলম্বো, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী): শেল থুমগী অরুবা ক্রাইসিস মায়োক্লরিবা শ্রী লঙ্কাদা ফ্যুএলগী মমল খঙহেন হেনগৎহনখিবগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী ময়াই থংবা লমদমগী লম্বীশিংদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌরিবশিংদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ ১২ না অশোক অপন নঙখ্রে।

ষ্টেটনা চল্লাইবা শিলোন পেট্রোলিয়ম কোর্পোরেসন (সিপিসি) না নিংথৌকাবগী অহিং নোংয়াইদগী রেকোর্দ ওইবা মওংদা ফ্যুএলগী মমলশিং হেনগৎখিবা মতুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈবাক শিনবা থুংনা প্রোটেষ্ট তৌরকখি।

কলম্বোদগী কিলোমিটর ৮৫ রোম লাপ্পা রম্বুকাদা প্রোটেষ্টরশিংনা ফিলিং ষ্টেসনশিংদা লৈরিবা ফ্যুএলগী মমল হান্নগী রেটতা পীননবা দিমান্দ তৌখি। মতুং তারকপদা মখোয়না রম্বুকাগী লম্বী অমদি রেলৱে লাইন পুম্নমক ব্লোক তৌদুনা সিটি অদুদা চঙথোক চঙশিন তৌবা পুম্নমক থিংখি।

পুলিসনা অহানবদা মীয়াম তানখায়নবা হোৎনবদা টিয়ার গ্যাস কাপখি অমসুং মতুং তাবদা নোংমৈ কাপখি। নোংমৈ কাপ্পা অদুদা মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা অতৈ ১২ না অশোক অপন নঙখিবনি। পুলিসনা ফোঙদোরকখিবদা প্রোটেষ্টরশিং হেন্না শাথিরকপদগী তঙাই ফদনা নোংমৈ কাপখিবনি।

এসএসপি নিহাল থালদুৱানা ফোঙদোরকখিবদা প্রোটেষ্টরশিংনা ফ্যুএল টেঙ্কর অমা শীজিন্নদুনা রেলৱে ট্রেক ব্লোক তৌখি। মখোয়না টেঙ্কর অদুবু মৈ থাখি অমসুং মদুদা তঙাই ফদনা পুলিসনা মোব কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পা তাখি।

প্রোটেষ্টরশিংনা নুমিৎ চুপ্পা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা সিটিশিংগী লম্বীশিং ব্লোক তৌখিবদগী পব্লিক ট্রান্সপোর্টেসন সিষ্টেম মপুং ফানা লেপখি। ফ্যুএলগী মমল হেনগৎপগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌদুনা প্রাইভেট বস ওর্নরসশিংনা মখোয়গী বসশিং ৱিদ্রো তৌখি অমসুং গভর্নমেন্ট রিজ াইন তৌনবা দিমান্দ তৌখি।

সিপিসিনা মমাঙদা ৯২ ওকটেন পেট্রোলগী মমল এলকে ৮৪ হেনগৎলে হায়না লাউথোক্তুনা লিটরদা এলকেআর ৩৩৮ ওইদুনা আইওসিগী মমলগা মান্নহনখি। দিজলগী মমলসু এলকেআর ১১৩ হেনগৎতুনা এলকেআর ২৮৯ য়ৌখি।

ফ্যুএলগী মমল হেনগৎলকপা অসিদগী লৈবাক অসিদা বসকী ভারা চাদ ৩৫ হেনগৎখি। লোয়ননা ফুদ আইটেম কয়াগী মমলসু হেনগৎখি। হৌখিবা মার্চকী অঙনবা শরুক্তগী শ্রী লঙ্কাগী রুপি যুএস দোল্লরগী মায়োক্তা ভেল্যু হন্থহনখিবগা লোয়ননা ফ্যুএলগী মমলসু ৱাংলকখিবনি।

চৈরকসিদা ফ্যুএল লৈবদা শেলগী মতেং ওইনবা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাদা অহেনবা শেনফম দোল্লর মিলিয়ন ৫০০ পীরক্লগনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইথৎ লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

# ধাকাদা ট্রেদরশিং অমসুং মহৈরোয়শিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নবদা অমা শিরে, ৫০ শোক্লে

ধাকা, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী): ধাকাগী ন্যু মার্কেট এরিয়াদা দুকান ফল্লিবশিং অমদি নক্কনা লৈবা ধাকা কলেজ অমসুং লোকেল পুলিসকী মরক্তা নোংমা চুপ্পা খুৎ থোক্নবদা মীওই অমা শিখ্রে অমসুং ৫০ হেন্না অশোক অপন নঙখ্রে।

ইলিফেন্ট রোদ এরিয়াদা কুরিয়র সার্ভিস অমগী দেলিভরি মেন ওইনা থবক তৌবা মশাগী চহী ২৩ রোম শুরবা নহিদ হাসন খুৎ থোক্নবা অদুদা শোকখিবগা লোয়ননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হোস্পিটালদা লায়কন্নরল্লগা শিখি।

অশোকপশিং অদুগী মনুংদা ইরাং অদুগী পাউ লৌনবা হোৎনখিবা রিপোর্টর নিপান য়াওখি। মখোয়দসু ইরাং মনুংদুদা এটেক্ট তৌখি হায়রি। অশোকপা রিপোর্টর মরি ধাকা মেদিকেল কলেজ হোস্পিটালদা লায়কন্নখি।

থৌদোক অদুবু গভর্নমেন্টনা তরাইনা লৌদে হায়না পনবগা লোয়ননা এদুকেসন মিনিষ্টর দিপু মোনিনা হায়খি, মদুদি প্রাইম মিনিষ্টর সেখ হাসিনানা ষ্টেট গভর্নমেন্টদা অশোকপশিং মরু ওইনা মহৈরোয়শিং লায়েংনবা দিরেক্সন পীখ্রে।

ধাকা কলেজকী ফিভম থীনা



শোক্লবা মহৈরোয় মোসারাপ হোসাইনবু স্পিসিয়েলাইজ হোস্পিটাল অমদা এদভান্স ট্রিটমেন্ট ফংহন্নবগী মথৌ তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবসু মহাক্না মখা তানা খঙহনখি।

পুলিসনা মহৈরোয়শিংদা নোংমৈ কাপখিবগী মতাংদসু প্রাইম মিনিষ্টরনা তকখৎখি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ধাকা মেট্রোপোলিটান পুলিস ওথোরিটিনা ফোঙদোকখিবদা ট্রেদরশিংনা করিগুম্বা কমপ্লেন্টশিং ফাইল তৌরকপা তারবদি লৌখৎফম থোকপা লিগেল এক্সন লৌখৎকনি।

উহৌবা মীওইশিংগী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কোকটেল এক্সপ্লোজনশিং অমদি মীয়ামদা এটেক্ট তৌবগী থৌদোকশিং নোংমা চুপ্না থোকখি। মহৈরোয়শিংনসু ইরাং মনুংদুদা লম্বীদা উ মৈ থাখি। পুলিস পার্সনেলশিং রাইওট ভান অমদা মফম অদুদা চঙশিনখি মদু ভাইওলেন্স হৌখিবা মতুং পুং ৩ রোম কান্নরগনি।

ওফিসিএলশিংগী মতুং ইন্না খুৎ থোক্নবা অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিং নোংয়াই য়ৌরমদাইদা হৌখি। পুলিস কাঙবুশিং ইরাং থোক্লিবা মফম অদুদা য়ৌশিনখিবগা লোয়ননা ফিভম লাকশিন্নবগীদমক মখোয়না টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপখি। অদুম ওইনমক মহৈরোয়শিংনা নুঙশেলনচিংবা পোৎশকশিং লংশিল্লকখিবগা লোয়ননা ওফিসিএল কয়াসু অশোক অপন নঙখি।

খুৎ থোক্নবা অদুনা মরম ওইদুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মিদপুর রোদতা চৎথোক চৎশিন পুম্বা পুং ২ রোম হায়বদি নুংথিল পুং ২.১৫ রোম লেপখি।

ন্যু মার্কেট এরিয়াদা লৈরিবা ইটরি মীগী মরক্তা য়েৎনরকপদগী খুৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং অদু থোক্লকপনি হায়রি।

# ইরাক্না টর্কিগী এনভোই কৌখৎতুনা ক্রোস-বোর্দর মিলিটরি ওপরেসনশিং প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

বাঘদাদ, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী): ইরাক্কী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা টর্কিজ এনভোই কৌখৎতুনা নোর্দন ইরাক্তা টর্কিনা কুরদিষ্টান ৱার্কর্স পার্টি (পিকেকে) গী মায়োক্তা বোর্দর লান্না চথখিবা ওফেন্সিব প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি এম্বেসেদর অলি রেজা গুনিদা অসিগুম্বা কায়হৌবগী থবকশিং অমদি য়াফম থোক্ত্রবা ভাইওলেসনশিং লেপ্পবা খঙহনবা অকনবা ৱারোলশিং য়াওবা লেটর অমা মিনিষ্ট্রি অসিনা শিন্নখ্রে।

ইরাক্কী টেরিটরিশিংদগী টর্কিজ ফোর্সশিং মপুং ফানা লৌথোক্কদবনি হায়বা ইরাক্কী দিমান্দ নৌহৌননা খঙহনখি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, অসিগুম্বা তাথিবা অমদি মরন্নাইগী ওইবা অপান্দবদা যুম্ফম ওইবা ৱারেপ্পুগী চথরক্লিবশিং অসিগী মতাংদা যুএন চার্টরগী প্রোভিজনশিং অমসুং ইন্টরনেসনেল লোগী রুলশিংগী মতুং ইন্না ইরাক্না মথৌ তাবা অমদি চান্নবা খোঙথাং লৌখৎপা য়াই।

ইরাক্কী ফেদরেল গভর্নমেন্টকা তান্নরমদনা লৈবাক অসিগী বোর্দর এরিয়াশিংদা টর্কিনা ইনৌ নৌনা মিলিটরি ওপরেসন চথরক্লিবসি য়াফম থোক্তে। বোর্দর এরিয়াশিংগী



সেক্যুরিটি ইস্যুশিং লৈবাক অনীগী মরক্তা মখা তানা কোওর্দিনেসন তৌনদুনা লৈখায় তান্ননবা হোৎনমিন্নগদবনি অমসুং ইরাক্কী সোভরেন্টিবু ইকায় খুম্নগদবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

মসিগী মমাঙদা ইরাক্কী সেমি ওটোনোমস কুরদিষ্টান রিজনদা টর্কিজ ফোর্সশিংনা মিলিটরি ওপরেসন চথরিবদু ইরাক্কী নেসনেল সেক্যুরিটিদা অকিবা পীবনি অমসুং মদু ইরাক্কী সোভরেন্টি খোঙ্গাওনবগী থৌওংনি হায়রদুনা ইরাক্কী প্রসিদেন্টসিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি।

টর্কিগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা টর্কিনা ইনৌ নৌনা নোর্দন ইরাক্তা গ্রাউন্দ অমসুং এয়র ক্রোস-বোর্দর ওফেন্সিব চথখিবদা য়ামদ্রবদা টিকেকেগী মেম্বর ২৬ শিখ্রে। ইরাক্না হঞ্জিন হঞ্জিন থিংদুনা লাক্লবসু টর্কিনা নোর্দন ইরাক্তা লৈবা পিকেকেগী বেজশিংদা টার্গেট তৌদুনা ক্রোস-বোর্দর ওপরেসনশিং তোইনা চথদুনা লাক্লি।

পিকেকে অসি টর্কিনা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোকখ্রবা গ্রুপ অমনি। গ্রুপ অসিনা চহী ৩০ হেন্না টর্কিজ গভর্নমেন্টগী মায়োক্তা লান হৌদুনা লাকখিবনি।

# পিপিপিগী চিয়ারমেন বিলাৱলনা লন্দনদা নৱাজ সরিফকা উন্নরগনি

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী): পাকিষ্টান পিপলস পার্টি (পি পি পি) গী চিয়ারমেন বিলাৱল ভুটো-জর্দারি লন্দনদা লৈরিবা পিএমএল-এনগী সুপ্রিমো নৱাজ সরিফকা উন্নদুনা হৌজিক লৈরিবা লৈবাক অদুগী পোলিটিকেলগী ফিভমগী মতাংদা খন্ননবগীদমক ইস্লামাবাদ থাদোকখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

বিলাইল ভুটো-জর্দারি লন্দন পাঙখ্রে হায়বা ৱাফম অসি কনফার্ম তৌরদুনা পিপিপিগী সেক্রেটরি জেনরেল ফরহাতুল্লাহ বাবরনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি পিপিপিগী চিয়ারমেননা নৱাজ সরিফকা উন্নদুনা পাকিষ্টানদা কোল্লিসন গভর্নমেন্ট লাক্লিবসিগী মতাংদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্কনি।

সরিফকা উন্নগদৌরিবা অদুগী মরু ওইবা পান্দমদি কোল্লিসন গভর্নমেন্ট লাকপগী মতাংদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপা অমসুং হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেলগী ফিভম খন্নগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা ছোর্স খরনা হায়রি, মদুদি পিপিপি অমসুং পাকিষ্টান মুস্লিম লিক (এন) গী মরক্তা বিলাৱলনা ফোরেন মিনিষ্টর ওইরগনি হায়বগী য়ান্নবা লৈরবসু মহাক গেজ অমা ওইনা কেবিনেট ৱাশক লৌবগী



থৌরমদা শরুক য়াখিবা ওইরবসু মশামক্তি ৱাশক লৌখিদে।

মসিনা হায়রিবদি কোলিসন গভর্নমেন্টদা ইস্যু খরা লৈরি অমসুং মদু হান্না লৈখায় তাবা পাম্মী হায়বসিনি।

ছোর্সশিংনা মখা তানা হায়, পার্টি অনীগী মরক্তা লৈরিবা ইস্যু মরুপ মপাং ওইবা মওংদা লৈখায় তান্ননবা বিলাৱলনা নৱাজ সরিফকা ৱারী শান্নবা পাম্মী। কেবিনেটতা এএনপি, বিএনপি (মেঙ্গল) অমসুং মোশিনদৱার য়াওখিদবগী মতাংদসু বিলাৱলনা নৱাজ সরিফকা ৱারী শান্নবা পাম্মী।

নৱাজ সরিফকা ৱারী শান্নবদা য়ান্নবা পুরক্লবদি বিলাৱলনা লন্দনদগী হল্লকপগা ফোরেন মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরবা য়াই হায়নসু ছোর্সশিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**

**Ref. 9/SDO/Lil/Cert/2015(pt)/1394** **Dated, the 14th March, 2022**

Mrs. Shahida Begum, W/o Late Md. Mani of Thoubal Moijing Khongok Leikai

**NOTICE**

Lilong the 20th April, 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Mrs. Shahida Begum, W/o Late Md. Mani of Thoubal Moijing Khongok Leikai, P.O. & P.S. Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্ত কোর্ট SDC/Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্নুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Lilong

HL-P/2083/21



**চহীগী দশা য়েংজরি**



অপাইবা দশা, য়েক্লবা, লায়না-তিন্না, থবক-করবার, মহে-মশিন, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম পুথবা, য়ূম-ইঙ্খোল, লৌ, য়ূম্বাল, নুপী-অঙাং, মচা য়াওদবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, নিশাদা লাইচুবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কিষ্টোননচিংবা, খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপথনা য়েংজরি। লাকপা ঙমদবশিংগী ওনলাইনদসু য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra (International Renown Astrologer)**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, # 9077188456

HL-B/7595/10/4-10/5 (alt)



**Government of Manipur**
**Office of the Director, Manipur Zoological Garden**
**Iroissemba, Manipur**

**NOTICE INVITING e-TENDER (No. 1 of 2022)**

Iroisemba, the 18th April, 2022

No.6/5/2022-23/ET/DMZ: With the approval conveyed by the PCCF (Wildlife) and Chief Wildlife Warden, Government of Manipur vide letter No.3/1 0/2020-WL (Vol-VI) dated 31.03.2022, e-Tenders are invited from intending registered Suppliers/Contractors/Firms for supply of 43 Items of Zoo Animal Feeds in 4 (four) Groups (Group-I, Group-II, Group-III & Group-IV) for Manipur Zoological Garden, Iroisemba, Imphal West, Manipur for a period of 2 (Two) years w.e.f. 1st July, 2022.

E-Tenders shall be submitted online only at the Manipur Government's e-Procurement Portal website *manipurtenders.gov.in.* The last date for submission of e-tenders is ***10th May, 2022 upto 1.00 PM*** (IST). The e-tenders will be opened by a Committee on the same day at 4.00 PM in the office of the Chief Wildlife Warden, Manipur, Sanjenthong, imphal.

Terms & Conditions **(Annexure-A)**, details of the items of animal feeds **(Annexure-I)** and other details may be downloaded from the website ***manipurtenders.gov.in or forest.manipurforest gov.in.***

**Sd/- L. Biramangol Singh**
**Director, Manipur Zoological Garden**
**Government of Manipur**

HL/B/7611/21